# ইস্লামিক ষ্টেটনা কাবুলগী মিলিটরি হোস্পিটালদা চথখিবা এটেক্তা শিখিবশিংগী মশীং ৪৯ য়ৌখ্রে



কাবুল, মার্চ ০৯ :
অফঘানিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা মিলিটরি হোস্পিটালদা মেদিকশিংগী ফিজোল শেৎপা টেররিষ্টশিংনা চথখিবা শাথিরবা এটেক্তা শিখিবা মী মশীং ৪৯ য়ৌখ্রে, দজন কয়ানা শোকখ্রে হায়না সিনিয়র হেল্থ ওফিসলনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কাবুল হোস্পিটালগী দিরেক্টর সলিম রাসৌলিনা হায়খি, সরদার দাউদ খান হোস্পিটালদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চথখিবা এটেক অদুদা মীওই ৪৯ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৬৩ শোকখ্রে।

চপ চাবা মশীংগী মতাংদা য়েৎনবা খরা লৈখি অমসুং সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা এটেক অদুদা মীওই ৯০ হেন্না শোকখি হায়না ফোঙদোক্লখি। হান্নগী এষ্টিমেটশিংদা অশিবশিংগী মশীং ৩৮ ওইহনখি অমসুং অশোকপশিংগীনা ৭০ ওইহনখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা মসিগী অমাক ন্যুজ এজেন্সিগী খুত্থাংদা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি। গ্রুপ অসিনা হোস্পিটালদুগী মনুংদা মখোয়গী ফাইটরশিংনা লৌরকখিবনি হায়বা ফোটোশিং অমসুং এটেক অদুদা শরুক য়াখিবা ফাইটর মঙাগী ইমেজ অমা থাগৎলকখি হায়রি।

টেররিষ্টশিংদুনা ফমুং ৪০০ গী হোস্পিটাল অদুদা মেদিকেল পার্সনেলগী ফিজোল শেৎতুনা মখুৎতা ওটোমেটিক খুৎলায়শিং অমসুং গ্রেনেদশিং পায়রগা থোমজিন্দুনা শাথিরবা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি। মখোয়না দোক্টরশিং, পেসিএন্টশিং অমসুং ভিজিটরশিংদা কাপখি অমসুং খুৎশু-খুৎলায় মতীক চানা শীজিন্নদুনা নিংথিনা পাঙথোকখিবা ওপরেসন অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা পুং ৬ চূপ্না নোংমৈ কাপ্লখি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিংনা ওটোমেটিক খুৎলায়শিং অমসুং গ্রেনেদশিং পায়বা টেররিষ্টশিংদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা হোস্পিটালগী কাশিংদা থোঙ লোনশিন্দুনা নৎত্রগা ঙাকশিল্লগা লোৎখিবগী পাউদম তম্লখি। হোস্পিটালগী বিল্ডিংগী মনিং থংবদা লৈবা থোঙ্গানদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশা পোকখায়জদুনা এটেক অদু হৌখি।

মখোঙ নাম্মা তেক্লগা টেররিষ্টশিংগী এটেক্তু দগী নাম্থোকহৌখিবা হোস্পিটাল অদুদা দোক্টর ওইবা মোহম্মদ নবিনা হায়খি, দোক্টরশিংগী অঙৌবা কোটশিং লিৎপা টেররিষ্টশিংদুনা লোৎশিল্লগা পুরকখিবা খুৎলায়শিং শৎতোক্তুনা এটেক তৌবা হৌরকপদা অহানবদা তৌরিবদু করিনো হায়বা মখোয়না খঙবা ঙমখিদে।

'মখোয়না মখুৎতা এ কে-৪৭ শিং পায়রগা অউ-অউবশিংদা কাপ্লকপদা ঐখোয় থম্মোয় কায়খি। মখোয়না ফমুংদা লৈরিবা ঐখোয়গী পেসিএন্টশিং হাৎখি অমসুং মখোয়না ঐখোয়গী দোক্টরশিং হাৎখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগা নক্লবা হোস্পিটালদুদা চথখিবা এটেক অদুনা চহী অসিদা কাবুলদা হায় প্রোফাইল এটেকশিং হেনগৎলকপা য়াবগী মওং লৈ হায়বা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী ৱার্নিংশিং লুনা লৌফম থোকই হায়বা উৎলি হায়রি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা থোকপা ৱারোল অমনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং নুংশি হৈতনা চথবা এটেক অদুদা চেন্নবশিংবু অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা অফঘান গভর্ণমেন্টদা কো-ওপরেসন পীনবা অমসুং টেররিজম ফাইনান্স তৌবা লেপ্পবা অমসুং থিংনবা ষ্টেট খুদিংমক্তা আপিল তৌখ্রে।

তমথিরবা এটেক অদুগী মতুংদা লৈখিদবশিংগী লৈরোল চনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা অফঘানশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন মোহম্মদ রোদমানেশনা হায়খি, আই এসকী ক্লেম অদুগী ইভিদেন্স থিবা ওইনা এক্সপার্টশিংনা হোস্পিটাল অদুগী মচি-মরুম খুদিংমক্তা থি-হুম্বগী থবকশিং পাঙথোক্লি।

টালিবান অমসুং অয়াম্বনা লৈবাক্কী নোংপোক থংবা লমদমদা ফীভম শেমদুনা লৈশিল্লিবা আই এস মিলিটেন্টশিংনা হন্দক মতম খরসিদা অফঘান ফোর্সশিংদা প্রেসর পীবা হেনগৎলকখি।

অয়াম্বনা পাকিষ্টানদা বেজ ওইবা টেহরীক-ঈ-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) গী হান্নগী মেম্বরশিংনি হায়না থাজনবা আই এসকী ফাইটরশিংনা পাকিষ্টানগা লোন্নবা ইষ্টর্ন অফঘান প্রোভিন্স নঙ্গাহরদা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ড অমা শেমগৎখ্রে। আই এসকী ফাইটরশিংনা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবান অনীমক্তা লাল শোক্লরিবনি।

## লুহোংফমদা সুইসাইদ বোম্মিং চথবদা মীওই ২৬ শিখ্রে

বাঘদাদ, মার্চ ০৯ : বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা ভিলেজ অমদা লুহোংবগী পার্টি অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৬ শিখ্রে অমসুং মীওই দজন কয়া শোকখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অদুগী মতুং ইন্না, য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা টিক্রিট সিটিগী মনাক্তা লৈবা অল-হজাজ ভিলেজগী মফম অমদা পুনখিবা লুহোংবগী পার্টি অমা তম্না সুইসাইদ বোম্মর অনী চঙশিনখি। টিক্রিট অসি বাঘদাদতগী কিলোমিটর ১৩০ রোম লাপ্না লৈ।

অহানবদা বোম্মর অমনা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভ ভেষ্ট পোকখায়হনখি। মীশিংনা এটেক অদুগী ভিক্টিমশিংদা মতেং পাংনবা চেনশিন্নরিঙৈদা অনীশুবা এটেক্করনসু মশাদা য়াওরিবা সুইসাইদ ভেষ্ট পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌখিবনি হায়না প্রোভিন্সিয়ল গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অলি-হমদানিনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা অয়াম্বনা অঙাংশিং ওইদুনা মীওই ২৬ শিখ্রে অমসুং মীওই ৬৫ ফাওবা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি। খুদক্কী ওইনা এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা লৈত্রবসু মমাঙদা অসিগুম্বা এটেক কয়া পাঙথোকখ্রবা ইস্লামিক ষ্টেটনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

## চাইনানা পাকিষ্টানগুম্বা মীচং ওইবা লৈবাকশিং য়াওহন্নবা ব্রিক্স প্লস লিংবা পাম্লি



বৈজিং, মার্চ ০৯ :
ব্রিক্স প্লস হায়বা অনৌবা বেন্নর অমগী মখাদা অতৈ চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা ইনভাইট তৌদুনা ব্রিক্সপু হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী ৱাফম অমা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা হৌদোকখ্রে।

বৈজিংদা নেসনল পিপলস কোংগ্রেস (চাইনিজ পার্লিয়ামেন্ট) কী নাকোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মহাক্কী চহীগী প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা ৱাংনা হায়খি, চাইনানা অতৈ মরু ওইবা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংসু গ্রুপ অসিদা য়াওহন্নবগী পান্দমদা লৈবাকশিং অসিগা ৱারী শানদুনা বিক্স-প্লস শেম্নবগী মোদেলিটিশিং পুথোক্লবা হোৎনরগনি।

'ঐখোয়না হেন্না পাক শনবা পার্টনরশিপশিং লিংবা ঙমগনি অমসুং ঐখোয়গী মরূপ-মপাংশিংগী সার্কল হেন্না চাউথোকহন্দুনা মসিবু সাউথ-সাউথ কোওপরেসনগী খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না থাজে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী ওইনা ব্রিক্সকী প্রসিদেন্ট ওইফম থোক্লবা চাইনানা সেপ্টেম্বরদা মথংগী সম্মিটকী থৌবু ওইরগনি। এনালিষ্টশিংগী মতুংইন্না, চাইনানা মীচং লৈবাকশিংবু ইনভাইট তৌদুনা লৈবাক অসিগী ঈথিল হেনগৎহন্নবা হোৎনরি অমসুং খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা ব্রিক্সতা লৌরিবা থৌদাংবু ময়াই চমহল্লকপা য়াই।

ক্লব অসিগী লৈবাক মঙা লৈ। মখোয়দুদি ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকানি।

'ব্রিক্সকী পার্টনরশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী চৈথেং নংগদবদি ইন্দিয়ানি। চাউথোকহল্লবা মতুংদদি ওর্গনাইজেসন অসি দিভলপমেন্টগী ইস্যুশিংদা হান্না থল্লম্বা মিৎয়েংশিং নাথৈরগনি অমসুং চাইনাগী পোলিটিকেল প্লেটফোর্ম অমগুম উনরক্লগনি' হায়না য়ু এসকী হোনোলুলুদা লৈবা এসিয়া-পেসিফিক সেন্টর ফোর সিক্যুরিটি ষ্টদিজদা প্রোফেসর ওইবা মোহন মালিকনা হায়খি।

চাইনানা পাকিষ্টান, শ্রীলঙ্কা অমসুং মেক্সিকোগুম্বা বৈজিংগা য়ানবা লৈবাকশিংবু গ্রুপ অসিদা য়াওনবা ইনভাইট তৌরকপা য়াই হায়না মালিকনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা ব্রিক্সপু সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মওংদা চাইনা সেন্ট্রিক ওর্গনাইজেসন অমা ওন্থোক্লবা হোৎনরিবা মাল্লি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

'গোৱাদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৬ কী ব্রিক্সকী সম্মিটতা ইনিদয়ানা ক্রোস-বোর্দর টেররিজমগী মতাংদা চাইনাগী মীচং ওইবা পাকিষ্টানবু তোঙান্না পুথোক্তুনা কন্দেম তৌহন্নবা হোৎনখিবদা বৈজিংনা মায় পাকহনখিদে' হায়না মালিকনা ফোঙদোকখি।

## হাৱাইঈনা দোনাল্ড ত্রম্পকী অনৌবা ত্রাবেল বেনগী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎপা অহানবা ষ্টেট ওইরে



হোনুলুলু, মার্চ ০৯ :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হাৱাইঈ ষ্টেটনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী রিভাইজ তৌরবা ত্রাভেল বেন লেপহন্নবা সু তৌবা অহানবা ষ্টেট ওইরে হায়রি।

ষ্টেট অসিগী এটোর্নিশিংনা লোসুট অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হোনোলুলুদা লৈবা ফেদরেল কোর্টতা ফাইল তৌখি। ষ্টেট অসিনা মমাঙদসু ত্রম্পকী অহানবা ত্রাভেল বেনগী মতাংদসু সু তৌখি, তৌইগুম্বসুং লোসুট অদু পায়খৎতনা নৎত্রগা য়েথোক্লগা থমখি। লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা ফাইল তৌখিবা কেসশিংদি মখল-মখা কয়াগী ৱারেপশিং তাখি।

মার্চ ১৬ তগী চৎনহন্নবা থৌরাংলিবা অনৌবা বেন অদুগা মরী লৈননা এমেমেন্দদ লোসুট অমা ফাইল তৌনবা শেম শারি হায়রদুনা হৱাইঈনা লৈবাকপোকপগী নুমিদাং অথেংবদা নোটিস অমা ইস্যু তৌখি।

রিভাইজ তৌবা ইগজিক্যুটিব ওর্দর অদুনা মুস্লিমশিংনা মশীং য়াম্বা লৈবাক তরুক্তগী লাকপা মীওইশিংদা অনৌবা ভিজাশিং পীবা থিংবগা লোয়ননা য়ু এসকী রিফ্যুজি প্রোগ্রাম মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লি। ওর্দর অদু হান্নগী ভিজাশিং পায়নখ্রবশিংদদি চৎনরোই।

ওর্দর অদুনা হাৱাইঈগী মুস্লিম পোপ্যুলেসন, টুরিজম অমসুং মীরৈবাক্তগী লাক্তুনা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা অকায়বা পীগনি হায়না হাৱাইঈগী লোসুট অদুনা হায়রি।

'হাৱাইঈ অসি অখন্নবা ষ্টেট অমনি হায়না লৌবা য়াই মরমদি ষ্টেট অসিগী পুৱারী অমসুং কন্সটিট্যুসন অনীমক্তা অচান-মীরাই খায়বা, খেন্নবা মিৎয়েং থম্বগী মচাকশিং য়াওদে' হায়না এটোর্নি জেনরেল দোগ চিননা হায়খি। 'ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ২০ দি মীরৈবাক্তগী লাকখিবশিংনি, ১০০,০০০ না নন-সিটিজনশিংনি অমসুং লেবর ফোর্স অপুম্বগী চাদা ২০ সু মীরৈবাক্তগী লাকপা ঙাক্তনি।'

হাৱাইঈনা লোসুট অদু ফাইল তৌবদা অপনবা পীনিংঙাই ওইদে হায়না হোনোলুলুগী ফেদরেল জজ অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।


য়ু এসকী দিষ্ট্রিক্ট জজ দেরিক ৱাটসননা ষ্টেট অসিনা কেস অদু মখা তানা চত্থনবা হায়জবদা অয়াবা পীখি অমসুং ত্রম্পকী ওর্দর চৎনবা হৌগদবা নোংমা মাঙওইননা মার্চ ১৫ দা হিয়ারিং তৌনবগী মতম পীখি।

দেমোক্রেটিক রিপ্রজেন্টিটিভশিংনা কা হেন্না মশীং য়াম্বা হাৱাইঈগী ওফিসলশিংনা মমাঙদসু ত্রম্পকী অহানবা বেন অদু সু তৌখি তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লিগেল চেল্লেঞ্জ কয়া থাঙ্গৎলিঙৈ মরক্তা সুট অদু পায়খৎতনা মতম খরগী ওইনা থমখি।

ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা অনৌবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অসি লাউ-থোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ষ্টেট অসিগী এটোর্নিশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফেদরেল কোর্টতা মখোয়গী প্রপোজ রিভিজন অদু মদু মখা তানা চত্থহনবীনবা হায়জবা মোসন অমগা লোয়ননা ফাইল তৌখি।

ৱাটসননা মোসন অদু এপ্রুভ তৌখি অমসুং ষ্টেট অসিনা য়ুমশকৈশাদা ফাইনেল লোসুট অদু ফাইল তৌগনি হায়খি। হাৱাইঈগী এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসনা মতমগী মতাংদা অকূপ্পশিং পনখিদে তৌইগুম্বসুং বেন অদুনা ষ্টেট অসিগী মুস্লিম মীয়াম, টুরিজম অমসুং ফোরন মহৈরোয়শিংদা অকায়বা পীগনি হায়খি। পেন্দিং লিটিগেসন অদুগী মতাংদা য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

## গ্বাটামালাদা অঙাংশিংগী সেল্টর মৈ চাকপদা নুপীমচা ২৮ শিখ্রে



গ্বাটামালা সিটি, মার্চ ০৯ :
গ্বাটামালা সিটিগী মনাক্তা লৈবা হীরম কয়াদা হক খোঙ্গাউনবীরবা অমসুং থৌশাবীদ্রবা অঙাংশিংনা কৃক কৃক ইন্ননা লৈবা সেল্টর অমগী নুপীগী সেক্সন য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা মৈ চাকখ্রে অমসুং মদুদা য়ামদ্রবদা নুপীমচা ২৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ নুপীমচা কয়া অমা শোকখ্রে হায়রি।

অহিংদা ঈরাং হৌদুনা অঙাংশিংনা গভর্ণমেন্টনা রন তৌবা মী চিল্লবা সেল্টর অদুদগী চেন্থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা খরা পুংকক চাউরবা অঙাং খরনা সেল্টরদুগী নুপীমচাশিংগী সেক্সনগী মোম্পাক খরা মৈ থাবদগী শাথিরবা মৈহৌ লাংপোক অদু থোকখিবনি হায়না গ্বাটামালা নেসনল পুলিসকী মকোক নেরি বামোসনা ফোঙদোকখি।

কেপিটেল গ্বাটামালা সিটিগী খা-নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্না লৈবা সান জোস পিনুলাদা থম্বা গভর্ণমেন্টনা রন তৌবা চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা হোম অদুগী মপানদা কপ-লাউবা খরা য়াওনা মরী-মতা কয়া পুন্দুনা নৈনখি।

হোস্পিটালশিংনা অঙাং ৪০ রোম মৈ চাকপদুদা তোঙানবা ফীভমশিংদা শোক্তুনা লায়কন্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

মৈ হৌহনখিবা নহাশিং অদু ঈরাং হৌবগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা তোঙান্না থম্বদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখিবশিংদুরা হায়বদু খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি হায়না বামোসনা মখা তাখি।

'মসি য়াম্না শাথিবা থৌদোক অমনি হায়না লৌবা য়াই, মরু ওইনা থোকহল্লমদবা য়াবা থৌদোক ওইবনা ঐখোয়না মসিবু শাথিবা থৌদোক অমনি হায়রিবনি' হায়না গ্বাটামালাগী সোলিসিটর জেনরেল অনাবেলা মোর্ফিনা ন্যুজ কন্ফরেন্স অমদা হায়খি।

হোম অদুগী মৈনা চাকথেকপদগী পুংমু মুনা কাহৎলবা কা অমগী ফ্লোরদা ব্লাঙ্কেটনা মচেৎ ওইনা কূপ্পা মৈ চাকখ্রবা হকচাংশিং চাইরগা লৈবগী শক্তমশিং ফায়র-ফাইটরশিংনা ত্বীটরদা থাগৎখিবা ফোটোশিংদা উবা ফংখি।

'ইনভেষ্টিগেটিং ইন্সটিট্যুসনশিংবু ঐখোয়না মপুং ফানা সপোর্ট তৌগনি অমসুং অশেংবদু পুথোকপদা মতেং পাংগনি' হায়না প্রসিদেন্ট জিম্মি মোরালিজনা নেসনল টেলিভিজনদা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈবাক শিন-থুংনা নুমিৎ হুম্নি চূপ্না অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

## য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট টোকিয়ো, সিওল অমসুং বৈজিংদা চৎলগনি

ৱাশিংটন, মার্চ ০৯ :
মার্চ ১৫ দগী ১৯ ফাওবা চত্থগদবা খোঙচৎ অমদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না জপান, সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাদা চৎলগনি হায়না য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মসি মহাক্না সেক্রেটরি ওইনা ইষ্ট এসিয়া অমসুং পেসিফিক রিজনদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি। লৈবাক খুদিংমক্তা টিলরসন্না নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল থ্রেট য়েংশিন্নবা ষ্ট্রেটেজিক কোওর্দিনেসন থম্নবা হোৎনবগী ৱাফম য়াওনা বাইলেটেরেল অমসুং মল্টিলেটেরেল ইস্যুশিং খন্নবা সিনিয়র ওফিসলশিংগা উনগনি অমসুং য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা য়ু এসকী ইকনমিক অমসুং সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্টশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবদা মিৎয়েং থল্লিবদুবু নৌহৌননা থাজহনগনি।

মার্চ ১৫ দা টিলরসন্না টোকিয়োদা থুংলবা মতুং মার্চ ১৭ তা সিওলদা থুংগনি অমসুং চাইনিজ কেপিটেল বৈজিংদা মার্চ ১৮ দা থুংগনি। কোরিয়ানা কাপ্পা বলিষ্টিক মিসাইলশিং জপানগী কোষ্টকী মনাক্তা তাশিনখিবগী লমদম অদুদা উংখৎনবগী ফীভম হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা মহাক্কী খোঙচৎ অসি লাক্লিবনি।

টিলরসন্না লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগী ফীভমগী মতাংদা খন্নগনি অমসুং হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকখিবা মিসাইল চাংয়েংশিংগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা সাউথ কোরিয়াদা টর্মিনেল হাই অলটিট্যুট এরিয়া দিফেন্স নৎত্রগা থাদ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবদা চাইনানা নুংনাংলিববুসু কোকহন্নবা হোৎনগনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াবু দিল তৌনবা ওপসন খুদিংমক খন্নগনি হায়খি অমসুং য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি দ্রিলশিং লেপ্পগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ানসু লৈবাক অনীসিগী মায়োক্তা মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র টেষ্টশিং পাঙথোকপা লেপ্পবা বৈজিংনা হৌদোকখিবা 'দ্যুঅল সসপেন্সন' গী ৱাফম রিজেক্ট তৌখি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র এম্বিসনশিং কন্ট্রোল তৌনবা মতীক চাবা খোঙথাংশিং লৌখৎতে হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা বৈজিংবু মরাল শীখিবা মতুংদা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলকখিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### District and Session Court, Lohit – e-Courts Recruitment – 22 Stenographer, Upper Division Clerk & Various Vacancies – Last Date 20 April 2017

**e-Courts Recruitment 2017:**
District and Session Court, Lohit invites Application for the post of 22 Stenographer, Upper Division Clerk & Various Vacancies. Apply before 20 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**e- Courts Job Details :**
Post Name : Stenographer Gr.II
No of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Upper Division Clerk
No of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**

**Educational Qualification :** Bachelor's Degree from the college/university recognized by UGC.
Nationality : Indian
**Age Limit :** minimum and maximum age limit is 18 to 28 years
**Age Relaxation :** For SC/ST/PWD Candidates o5 years

**Job Location :** Arunachal Pradesh

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test/ Skill Test /Viva Voce/Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.300/- & for APST/SC/ST Candidates Rs.200/- through IPO in Favour of The District & Sessions Judge, East Sessions Division, Tezu, Lohit District, A.P.

**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of all Testimonial, certificates & envelop superscribed application for the post of "____________" send to The Office of the District & Sessions Court, East Sessions Division, Tezu, Lohit District, Arunachal Pradesh on or before 20.04.2017 till 04:00 PM.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 20.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://ghcitanagar.gov.in/Notification/Administration/2017/D&SC%20YUPIA%20ADVERTISEMENT%202017.pdf

### e-Courts Recruitment – 47 Stenographer, Upper Division Clerk & Various Vacancies – Last Date 20 April 2017

District and Session Court, Lohit invites Application for the post of 47 Stenographer, Upper Division Clerk & Various Vacancies. Apply before 20 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**e- Courts Job Details :**
Post Name : Stenographer Gr.II
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Upper Division Clerk
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
**Educational Qualification :** Bachelor's Degree from the college/university recognized by UGC.
**Nationality** : Indian
**Age Limit :** minimum and maximum age limit is 18 to 28 years
**Age Relaxation :** For SC/ST/PWD Candidates o5 years
**Job Location :** Arunachal Pradesh

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test/ Skill Test /Viva Voce/Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.300/- & for APST/SC/ST Candidates Rs.200/- through IPO in Favour of The District & Sessions Judge, East Sessions Division, Tezu, Lohit District, A.P.
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of all Testimonial, certificates & envelop superscribed application for the post of "____________" send to The Office of the District & Sessions Court, East Sessions Division, Tezu, Lohit District, Arunachal Pradesh on or before 20.04.2017 till 04:00 PM.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 20.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://ghcitanagar.gov.in/Notification/Administration/2017/D&SC%20TEZU%20ADVERTISEMENT%202017.pdf

### e-Courts Recruitment – 06 Typist-Copyists Vacancy – Last Date 03 April 2017

Principle District and Session Judge, Gadag invites Application for the post of 06 Typist-Copyists. Apply Online before 03 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**e- Courts Job Details :**
Post Name : Typist-Copyists
No of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 11600-21000/-

**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
**Educational Qualification :** Must have passed S.S.L.C. or equivalent examination.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 18 to 35 years as on 01.01.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- & for SC/ST Candidates Rs.50/- through Online/Offline.
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://ecourts.gov.in on or before 03.04.2017. thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 03.04.2017
Last Date for Submission of fee through Challan : 07.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification%20for%20the%20post%20of%20Typist-**Copyist.pdf**
**Apply Online :** http://ecourts.gov.in/india/karnataka/gadag/recruitment